# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Thursday, February 04, 2021, Imphal    Page 11




ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী ওবজার্ভর য়াওনা পাঙথোকখিবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী ফমগী মীখলদা মায় পাক্তুনা অমুক্কা হন্না ফম অসি পায়রগদবা অজয় সিংহ

ইন্দিয়াগা ইংলেন্দগা শান্নগদৌরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিদা মমাংগী চহীদা ওই থংবা লেংজুম শোক্লুরবা মতুং মপূং ফানা ফরদুনা সেরিজ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা শান্নরোয় ওলি পোপ



# মুম্বাই সিটি এফ সীনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা মখা তানা টেবল লুচিংবা ওঙ্লি

**4th Feb, Thursday (82nd Match)**
**NorthEast United FC vs FC Goa**
**Time : 7:30 PM**



*মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর চনখিবা থৌনাওজম বিপিন (ওইরোমদগী ৩শুবা)*

বম্বোলিম, ফেব্রুৱারী ০৩(এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী বম্বোলিম সিটিদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮১শুবা মেটচতা মুম্বাই সিটি এফ সীনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখা তানা মাঙজিল থাবা ওঙ্লি।

কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী ৯শুবা পোজিসনদা লৈখি। ওসিগী মেটচ অদুদা মায় পাক্তুনা মপূং ফাবা পোইন্ট ৩ ফংনবগীদমক্ত হোৎনরকখি। মখোয়না হোৎনখিবা অদু শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা কান্নবা ফংখি। টিম অদুগী সহল অব্দুল সমাদনা কাওরকপা কোর্নর কিক অমা টিমমেট ভিনসেন্ট গোমেজনা হেদ তৌশিন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি। মেটচকী অহানবা হাফ লোইশিনবদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর অদু ফংখি। ফিল্ডগী য়েৎ থংবা মায়কৈদগী কাওরকপা বোল অমা মফম চানা লৈখিবা মণিপুর মচা থৌনাওজম বিপিননা কাওশিন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফ সীনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী অদাম লি ফোন্দ্রেনা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না ২-১দা থোইরগা পোইন্ট ৩৩ ফংদুনা মাঙজিল থারি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 15 | 10 | 3 | 2 | 22 | 8 | 14 | 33 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 14 | 8 | 3 | 3 | 16 | 9 | 7 | 27 |
| 3 | Hyderabad FC | 15 | 5 | 7 | 3 | 20 | 16 | 4 | 22 |
| 4 | FC Goa | 14 | 5 | 6 | 3 | 19 | 14 | 5 | 21 |
| 5 | Northeast United FC | 14 | 5 | 6 | 3 | 19 | 18 | 1 | 21 |
| 6 | Bengaluru FC | 15 | 4 | 6 | 5 | 19 | 19 | 0 | 18 |
| 7 | Jamshedpur | 15 | 4 | 6 | 5 | 14 | 17 | -3 | 18 |
| 8 | Chennaiyin FC | 15 | 3 | 7 | 5 | 11 | 16 | -5 | 16 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 16 | 3 | 6 | 7 | 20 | 27 | -7 | 15 |
| 10 | East Bengal Club | 15 | 2 | 7 | 6 | 12 | 20 | -8 | 13 |
| 11 | Odisha FC | 14 | 1 | 5 | 8 | 13 | 21 | -8 | 8 |

# কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোগী পাঞ্জল ২না য়ুভেন্টস অহানবা সেমীফাইনেল লেগ মায় পাকখ্রে

COPPA ITALIA

মিলান, ফেব্রুৱারী ০৩(এজেন্সী): ইন্টরনেজিওলনা য়ূম্বু ওইদুনা মিলান সিটিদা লৈবা গুইসেপ মিএজা ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কোপা ইটালিয়াগী অহানবা সেমীফাইনেল লেগ অদুদা য়ুভেন্টসকা লম্বা তৌনবদা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোগী পাঞ্জল অনীনা ইন্টরনেজিওল ১-২দা মায়থীহৌরে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৯শুবা মিনটতা য়ূম্বু ক্লব ওইখিবা ইন্টরনেজিওলগী মায়কৈদগী নিকোলো বরেলানা পীরকপা বোল অমদা লোটারো মার্টিনেজনা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ মখা চখ্থরকপদা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়না হোৎনখিবা অদু মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা কান্নবা ফংখি। কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অদু পেনাল্টি অমদগী চনখিবনি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা মখা তানা য়ুভেন্টসকী এটেক অমদা অমুক্কা হন্না খূদোংচাবা অমা ফংখিবা অদু কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা অহানবা হাফ অদু ২-১দা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা নাকল অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না প্রেসর পীশিন্নদুনা ইন্টরনেজিওলগী মায়কৈদগীনা ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনরকপা অদুগা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগীনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা লাক্লরকপনি। পাঞ্জল লৈনখিদবদগী য়ুভেন্টস অহানবা সেমীফাইনেল লেগ অদু মায় পাক্তুনা থা অসিগী ৯দা মখোয়না অমুক য়ূম্বু ওইরগা অনীশুবা সেমীফাইনেল লেগ অদু শান্নগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অথেংবদা অনীশুবা সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগ অদু অটলান্টা অমসুং নাপোলিনা লম্বা তৌনগনি। মেটচ অদু নাপোলিনা য়ূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ দিএগো অর্মান্দো মারাদোনা ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবনি।

টিম অনীনা অনীশুবা সেমীফাইনেল লেগ অদু ফেব্রুৱারী ১০দা শান্নগনি। অদুগা এগ্রিগেট স্কোর য়েংনরগা ফাইনেল স্কোর অদুনা মিলানদা লৈবা সান সিরো ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা চহী অসিগী মে ১৯দা শান্নগদৌরি।

# সেভিয়ানা অলমেরিয়া মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

COPA DEL REY
CAMPEONATO DE ESPAÑA COPA DE S.M. EL REY

মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ০৩(এজেন্সী): ঙরাং অথেংবদা স্পেনগী মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা দেল রেগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সেভিয়ানা অলমেরিয়াবু ১-০দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা অহানবা টিম ওইখ্রে।

মিদিটেরানিও ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু সেভিয়া অমদি অলমেরিয়াগী মায়কৈদগী হৌবদগী হৌনা লম্বা মান্ননা থেংনরকখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদুদা বোল পায়বগী চাং মান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমদনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ০-০দা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফকী মিনট ২০ হেন্দোরক্লবা ফাওবা স্কোরবোর্দতা পাঞ্জল লৈখিদে। সেভিয়াগী মায়কৈদগী সুসোনা ফংখিবা বোল অমা খায়দোরকপদা টিমমেট লুকাস ওকমপোসনা অশোয়বা য়াওহন্দবমখৈ খূদোংচাবা লৌদুনা পাঞ্জল চল্লগা অলমেরিয়াবু ১-০দা মাঙজিল থাখি। পুংখায় ফাদ্রবা মেটচ অদুগী লেমহৌবা মতম অদুদা অলমেরিয়ানা মখোয়গী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনরকপশিং অদু সেভিয়াগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল অদুবু য়াম্না পাঙ্গল লৈনা ঙাক শেনবা ঙমখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা অলমেরিয়া ইক্কেলাইজর ফংদনা ০-১দা মায়থীহৌখি।

ঙসি অথেংবদা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবা মেটচ অদুনা ভেলেন্সিয়া সিটিদা ভিল্লারিয়াল অমদি লিভান্টে লম্বা তৌনগনি। অদুগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল অদুনা গ্রানাদা সিটিদা বর্সেলোনা অমদি গ্রানাদাগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। হয়েং শান্নগদবা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদনা এথলেটিক বিলবাও অমদি রিয়াল বেটিস শান্নগনি।

পনবা য়াই, কোপা দেল রে টুর্নামেন্ট অসি স্পেনদা লৈরিবা ফুটবোল লীগ দিভিজনশিং পূনশিল্লগা শান্নবা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা দিভিজন টুদগী অমখক য়াওবা অদু মায়থীখ্রবা অলমেরিয়ানি।

# এস্লি বার্টি অমসুং এস রোজর্স ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনরগনি

মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারী ০৩(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট শেম শাবা ওইনা পাঙথোকপা য়ারা ভেলি ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়া মচা নম্বর ৱান সিদেদ এস্লি বার্টি অমসুং য়ু এসকী সেলভি রোজর্স লম্বা তৌনরগনি।

বার্টিনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিকী এম বোস্কোভাবু ৬-০, ৪-৬, ৬-৩দা থোইরম্বনি। অমরোমদা, সেলভি রোজর্সনা ক্রোএসিয়াগী পেট্রা মার্টিকপু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৭-৬ (৭-১), ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবশিং অদুদি সেরিনা ৱিলিয়মস অমসুং অতোপ্পা য়ু এসকী দেনিএল কোলিন্সনি। অর্জেন্টিনাগী এন পোদোরোস্কা অমদি চেক রিপব্লিককী এম বোন্দ্রোসোভা, লোয়ননা য়ু এসকী কেনিন অমদি স্পেনগী মুগুরুজানি।

# নাওমি ওসাকা অমসুং সাইমোনা হালেপ ক্বার্টর য়ৌখ্রে

মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারী ০৩(এজেন্সী): মমাং চহীগী ওপন গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন জপানগী নাওমি ওসাকা অমসুং রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ গিফসলেন্দ ট্রোফি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

নাওমি ওসাকানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোয় কে বোল্টরবু ৩-৬, ৬-৩, ৬-১দা থোইরম্বনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না রোমানিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ইরিনা কেমেলিয়া বেগুগা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী লোরা সিজমুনবু ৬-২, ৬-৪দা থোইদুনা ক্বার্টরদা রসিয়াগী ঈ অলিজান্দ্রোভাগা থেংনরগনি। অতোপ্পা ক্বার্টর য়ৌখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি কানেপি, মুকোভা, স্বিটোলিনা অমদি মার্টেন্সনি।

# মিক্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট তোক্লগনি

ৱুহান, ফেব্রুৱারী ০৩(এজেন্সী): বেদমিন্টন এসিয়ানা মমাংদা লেপ্লখিবা মতমগী মতুংইন্না মথংগী চয়োলদা চাইনাগী সিটি ৱুহানদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা মিক্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদু কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোক্লরোই।

ৱুহান সিটিদা লৈঙাক অদুনা মীওইশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মতাংদা থল্লিবা অথিংবশিং অমদি শান্নরোয়শিং লাক্লবসু মখোয়না চখ্থগদবা ক্বারন্টিনগী কাঙলোনশিং অদু য়েংলুরগা এসিয়ন মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লোইদৌরিবনি। বেদমিন্টন এসিয়াগী মায়কৈদগী টুর্নামেন্ট অসি তোকপগী ৱারেপ লৌরকপগী অতোপ্পা মরম অমনা জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী মনুং চনবা টুর্নামেন্ট অমা ওইদবা অসিনসুনি।

বেদমিন্টন এসিয়াগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক মালেম্না মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা এস ও পি কয়া অমা চৎনরি। মসি লৈবাক অমগা-অমগা মান্নদে। টুর্নামেন্ট পাঙথোকপদা শান্নরোয়শিংদা অৱাবা পীগদবা মরম্না তোকপনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 25**

**Blake, Joseph Henry - Hook, William**
**London London, 1891**

1.e4 e5  2.Nf3 d6
3.Bc4 f5  4.d4 Nf6
5.Nc3 exd4  6.Qxd4 Bd7
7.Ng5 Nc6

**QUESTION :**
**White wins in 5 moves**

**Puzzle 24 Ans. :**
**38.**Ke6Re3+The black Rook deflects White's Knight away from protecting the square e7.
**39.**Nxe3 Re7#

**38.**..Re3+


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

1ST POSITION 2020

TOPPERS of 2020



| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
|---|---|---|---|---|---|---|
| NOVEENA KSH, D/o. Sarvodayachand, Nirmalabas | CHALTAN Y., S/o. Y. Shantikumar, St. Joseph | TH. JEET, S/o. Th. Rashi, St. Joseph | DHANTHOI S., D/o. S. Homeshor, Nirmalabas | MARY L., D/o. Dr. John P., Little Flower | H. NANDIBALA, D/o.H. Nandalal, Nirmalabas | HENRY O, S/o. O. Kumud, St. Joseph |

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | | | | | | | VAN AVAILABLE |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 | |
| Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. | |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS    CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6686/1



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK**

**Ref :- Mutation Case No. 94/SDC/YPK    Dt. 03/02/2021**

Laishram Ibomcha Singh, S/o. (L) Yaima Singh of Khoirom Mayai Leikai
-Petitoners

-Vrs-

(Late) Laishram Yaima Singh, S/o. (L) Amuningthou Singh of Yairipok Khoirom Mayai Leikai
-Opp.

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Dt. 03/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি, মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা য়াইরিপোক তহশিল খুন নং ১১০- খোইরোম পাট্টা নং ৫৩০ অনৌবা দাগ নং ২৭৫ এরিয়া .২৮৪০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার লাইশ্রম য়াইমা সিংহ পীং মৃ: অমুনিংথৌ সিংহ সাং য়াইরিপোক খোইরোম ময়াই লৈকায়দা লৈবা অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা মহাক্কী মচানিপা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি। অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চখ্থরগনি।

HL-B/6759/4    **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Yairipok



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 86/AS & SO/TBL    Dt. 16/01/2021**

1. Thongam Ranjit Singh, S/o. Narahari Singh of Athokpam Awang Leikai
2. -do- Subhachandra Singh, S/o. -do- of -do-
3. -do- Gourachandra Singh, S/o. (L) Yaima Singh of -do-
4. -do- Romesh Singh, S/o. (L) -do- of -do-
- Applicants

-Vrs-

(Late) Pattadar Thongam Brajamani Singh, S/o. (L) Chaoba Singh of Athokpam
- Opp.

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Dt. 02/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ২৮- থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ৫১৪ (অরিবা) পাট্টা নং ৬৬৯ (অনৌবা) দাগ নং ৫১৮৮ এরিয়া .১৯৪৩ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মশুনুপা ৪ (মরি) দংকারিশিং (এপ্লিকান্টস) নং ১শুবা, ২শুবা, ৩শুবা অমসুং ৪শুবা মখোয় মরিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। লোয়ননা দংকারি (এপ্লিকান্টস) মখোয় মরিনা ফংগদবা এরিয়াদি .০৪৮০ হেক্তর চাওবা লম অসি অমমম্না ফংগদবনি। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখ্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- (M. Ningthembi Singh)**
Assistant Survey & Settlement Officer
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/8787/4



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation case no. 68/AS & SO/TBL    Dt. 14/01/2021**

1. Laishram Penu Devi W/o Chandra Singh of Khangabok Khullakpam Leikai.
2. -do- Manao Singh S/o (L) Khamba Singh of -do-
-Applicants

-Vrs-

(Late) Pattadar Laishram Khamba Singh S/o (L) Yumjao Singh of Khangabok as Co-Pattadar no. 1.    -OPP.

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Dt. 03-02-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং. ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং. ৩৩/২৫৬৭ (অরিবা) পাট্টা নং ২৬৪৬ (অনৌবা) দাগ নং ৪৪৬৫, ৪৪৬৬ এরিয়া .০৬৫০, .১৩০০ = .১৯৫০ হে: চাওবা ইংখোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো: পাট্টাদার নং ১শুবা মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি মখোয় ২ (অনী)গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখ্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,Thoubal
Government of Manipur

HL-P/8786/4



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM**

**Ref :- Mutation Case No. 284/SDC/H    Dt. 11/12/2020**

1. Laishram Churachand Singh, S/o. L. Bokul Singh of Sekmaijin Khunou
2. Laishram Tondonba Singh, S/o. L. Ibochou Singh of -do-
3. Laishram Mema Devi, W/o. L. Yaima Singh of -do-
4. Laishram Khamba Singh, S/o. L. Rabei Singh of -do-
5. Laishram Boy Singh, S/o. L. Naba Singh of -do-
-Petitoners

-Vrs-

1. (Late) Maibam Gulap Singh, S/o. (Late) M. Ibohal Singh of Sekmaijin
2. Kongkham Chaoba Singh, S/o. K. Gulamjat Singh of Sekmaijin
3. Laishram Bokul Singh, S/o. (Late) L. Mera Singh of Sekmaijin
-Opp.

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Kakching, the 3rd February, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি হিয়াংলম তহশিল খুল নং ৬৭-হিয়াংলম অনৌবা পাট্টা নং ৬২০, অরিবা পাট্টা নং ২৮৭, ২১৩, ৩২৬ দার্গ নং ৫০৮কী লম হেক্তর .৬৬০০ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্ত দংকারিশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা ৱাকৎচেদা ৱাকৎপীবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চখ্থজরগনি।

HL-B/6758/4    **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Hiyanglam



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, PATSOI**

**Ref :- Mutation Case No. 90/SDC/IW(P) of 2020**

1. Akhongbam Piba Meitei, S/o. (L) Tombi Singh of Taobungkhok Makha Leikai
2. -do- Ibomcha Singh, S/o. (L) -do- of -do-
3. -do- Ningol Mema Devi, D/o. (L) Tombi Singh of -do-
-Petitoners

-Vrs-

1. Akhongbam Tomba Singh, S/o. (L) Tombi Singh of Taobungkhok Makha
2. Late Akhongbam Pishak Devi, W/o. (L) Tombi Singh of -do-
-Opposite Parties

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE**

Dt. 03/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউ-চেগী খুখাংদা খঙহঞ্জরি, ই: ও: পাৎশোইগী খুন নং ৮১-তাওবুংখোক্কী পাট্টা নং ১৩২ (অরিবা), ২২৭ (অনৌবা)গী দাগ নং ১৮৮গী এরিয়া ০.৭০০১ একর চাওবা অঙনফৌগী কো-পাট্টাদার নং (২) ওইবা অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা/বী দংকারি নং (১), (২) অমসুং (৩) অসিনা মৃ: পাট্টাদারনি নং (২) মপাগী স্বর্ত্তদা দাগকী মখা থংবদা এরিয়া .২১ একরগী লম অসি নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট ফারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারিনিগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ০৯/০২/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম চখ্থরগনি।

HL-P/8784/4    **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Imphal West, Patsoi